হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ ১৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৩৪০শুবা মশীং

# কোরোনাভাইরসকী ফীভম খূদোংথিনিংঙাই ওইরকপা

## মতীক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলে হায়না লৌবা য়ারব্রা

ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী ফীভম খূদোংথিনিংঙাই ওইরকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মীওই অনী শিহনখ্রে। কনফর্ম তৌরবা কেস মশীংনা ১০০ হেল্লে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা য়ুনিয়ন কঞ্জুমর এফ্যের্স মিনিষ্ট্রিনা নোটিফিকেসন অমা থোক্লুনা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরবু ইসেন্সিয়ল কম্মোদিটিজ ওইনা লাউথোকখ্রে। ইসেন্সিয়ল কম্মোদিটিজ এক্ট ১৯৫৫ এমেন্দ তৌরগা ফেস মাস্ক (টু-প্লাই, থ্রী-প্লাই, সর্জিকেল মাস্ক অমদি এন-৯৫ মাস্ক) লোয়ননা হেন্দ সেনিটাইজরবু ইসেন্সিয়ল কম্মোদিটি ওইনা লাউথোক্লে। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পোৎলমশিং অসি পুথোকপা, য়োনবা অমদি শীজিন্নবগী কাঙলোন খূদক্তা লাউথোক্কদবনি হায়রি। মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরসকী অপূনবা কেস মশীং লাখ ২ রোম য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা শিহনখিবা মীগী মশীং ৬,০০০ লোম য়ৌরে। হৌজিক ফাওবদা লায়েংনবগী পাম্বৈ লৈত্রিবা লায়না অসিনা মীওইবগী লংস অমসুং নিংশা হোনবগী মরীদা ইনফেক্সন তৌদুনা মীওই কয়া শিহনবনি। 'দি লেন্সেট' মেগজিনদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মীওই অয়াম্বা 'সেপসিস'না মরম ওইরগা শিখিবনি হায়রি। ইনফেক্সন মায়োক্নবদা ইম্যুন সিষ্টমনা হেঞ্জিনবা মওংদা মথৌ তৌরুবদগী তোঙান-তোঙানবা হকচাংগী কয়াৎশিং মথৌ লেপখিবগী থৌওংবু সেপসিস হায়না খঙনৈ। তোঙান-তোঙানবা মরম কয়ানা সেপসিস ওইহল্লকপদগী মীওই মিলিয়ন কয়ামরুম চহী খূদিংগী শিরি। ইম্যুন সিষ্টম শোন্থরক্লবশিং- পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং, চহী য়াল্লবা অহল, লোয়ননা দাইবেটিস, কেন্সর অমদি এইদসনা নারবা মীওইশিং সেপসিসকী রিস্ক ৱাংই। সেপসিস ওইহল্লকপা য়াবা মরমশিংগী মনুংদা কোরোনাভাইরস, ইবোলা ভাইরস, য়েল্লো ফিবর ভাইরস, দেঙ্গি, স্বাইন ফ্লু, বর্দ ফ্লু, ৱুন্দ ইনফেক্সন, য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন অমসুং এবদোমিনেল কেভিটি ইনফেক্সন য়াওরি। সেপসিসকী মরু ওইবা লাইওংশিংদি ব্লদ প্রেসর হন্থরকপগা লোয়ননা হার্ট রেট ৱাংখৎলকপা; লাইহৌ হৌবা; চনিং লৈতানা নিংশা হোনবা ঙমদবা অমসুং ৱাখল চমন্নরকপা অসিনচিংবনি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌজিক কোরোনাভাইরস ইনফেক্সননা মীওই ৬,০০০ লোম শিহল্লিবা অসিসু সেপসিসনা মরম ওইরগা শিখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনরি।

চৈরকসিদা সেন্টরনা কোরোনাভাইরসপু নোটিফাইদ দিজাষ্টর ওইনা লৌবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মতেং পাংবগী থৌরাংশিং লৌখৎলগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্সনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়, কোরোনাভাইরসনা নাবদগী শিখিবা মীওই খূদিংমক্কী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৪ ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দ (এস দি আর এফ)গী খূত্থাংদা পীরগনি। অমরোমদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না য়ুরোপপু কোরোনাভাইরসকী ইপিসেন্টরনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা য়ু এস প্রেসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনসু নেসনল ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনসু সুপ্রিম কোর্ট অমদি হায় কোর্ট অয়াম্বনা অথু-অকাইগী তঙাইফদবা কেসশিং খক্তমক হীয়রিং চখৎরগনি অমসুং মরী লৈনবা উকিল নৎতনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা কোর্ট রূমদা চঙহল্লরোই হায়না লাউথোকখ্রে। বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা শীল্লগা মার্চ ২৯দগী হৌগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা আই পি এল ক্রিকেট টোর্নামেন্টসু য়েথোকখ্রে। ষ্টেট অয়াম্বদা মহৈ তম্ফম লোয়শঙশিং ছুটি থাদোকখিবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ মীয়াম তিনবা মফমদা চঙদনবা মীপূম খূদিংমক্তা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু কোরোনাভাইরসকী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মীয়াম তিনবা থৌরম পাঙথোকহন্দ্রে। য়াওশঙগী অরোইবা নুমীৎতা ফাওবা থাবল চোংহনখিদ্রে। টেষ্টিং সেন্টর অমদি আইসোলেসন ৱার্দনচিংবসু হাংদোক্লুনা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলে হায়রি। অদুবু ফম্নমক তঙাইফদবা থৌরাং ওইরগসু মীয়াম তিনবা মফমদা চঙগনু হায়রিবা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোকপদা খরা ৱানা থোক্কদবা মাল্লি। লায়রবনা মশীং হেনবা লমদম অসিদা নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুরগা হিংবা মীওই মশীং থীঙমদনা লৈরিবনি। নোংমত্তং থবক শুহৌদবদা চরা হেনবগী ফীভমদা লৈরিবা মীওইশিংবু কৈথেল অমদি অতৈ মীয়াম তিনবা মফমদা চঙগনু হায়রুবদা হরাও-হরাও য়ারক্কদবা মান্দে। চরা হেনবগী মৈচাক খাঙবগী মহুৎতা অফংবা থবক অমা শুরগা লাইবক য়েংলুরগে খনবা মীওই কয়া থোরকপা য়াই। মসিমক্না মী পূনবা মফমদা চঙগনু হায়বা লৈঙাক্কী থৌরাং অসি মরম চাদে হায়না লৌবা য়াদে। অদুম ওইনমক নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবা মীওইশিংগীদমক লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎফম থোকপ্রা খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৬

১। ঐখোয় মৈতৈগী কুম্বাবা, নিংথৌশিংগী হাক্তক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং খঙগে হায়রবদি 'চৈথারোল কুম্বাবা' য়েংবা তাই। অদুবু মসি করম্বা মতমদগী লৈরক্লবগে হায়বগী মতাংদদি মত কয়া লৈরি।
(ক) অনীশুবা ইদিসনগী মতুংইন্না মসি করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইবা হৌখিবগে?
(খ) অদুগা করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী থাগী মমিং য়াওবা হৌখিবগে?

২। "খঙহৌদনা থাবল্লেগী মিৎলু অনীদা লাইজ পিরাং ঈহৌরকখি। অঙাং অসিদি খঙলিরোই, মমাগী পুন্সি লোইশিল্লক্লে হায়বা।" পরেং অনী অসি নোংথোম্বম কুঞ্জমোহনগী 'ওমচাক্লবা' হায়বা ৱারীমচা অদুদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদু য়াওবা মহাক্কী ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "তাইঙোনা ইনখৎলকপা মতম, চহী ২৫ রোমগী পাখঙ ওইরিঙৈ, মঙোন্দগী চহী ১০ মুক হল্লমগদবী, মশক ফজরবী, পান দুকান ফন্বী অমদা ঙাওরুই।" ৱারী মতেক অসিনা নাউরোইবম সুধীরগী ৱারীমচা অমদা লীরিবনি। ৱারী মচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "ইপাম লমদম লমনুংশি/নিংঙোলগী মীনুংশিদুতদি থম্বীরম্মু/অউনপোৎ তেকথবা মিহৌদে।" পরেং অহুম অসিনা মোইরাংথেম সত্যবতিগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "চান্নবী নঙগী নাপদা/অৱাবা পাউসি তম্লিংদে/চল্লবী নঙগী থম্মোয়দা অকনবা চৈনা হাপ্লীংদে।" পরেং অহুমসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৫গী পাউখুম থাবিরকপশিং

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) | থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল | ১ (ক), ২,৩,৪,৫ | (৫) |
| ২) | থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স | ৩,৫ | (২) |
| ৩) | নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায় | ১ (ক), ৩,৪ | (৩) |
| ৪) | এম শরতচন্দ্র, লম্বোইখোংনাংখোঙ | ১ (ক), ৩,৪ | (৩) |
| ৫) | মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় | ১ (ক) ২,৩,৪,৫ | (৫) |
| ৬) | আনন্দকুমার খুঞ্জামযুম, তাওথোং অয়ুংবা লমসাং | ১ (ক), ৩,৪ | (৩) |
| ৭) | কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার | ১ (ক), ২,৩,৪ | (৪) |
| ৮) | লাইশ্রম এলেনা, টোপ খোংনাংমখোং | ১ (ক), ২,৩,৪ | (৪) |
| ৯) | মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং | ১(ক),২,৩,৪,৫ | (৫) |

(অচুম্বা পাউখুমগী ৱাহং নম্বর, ব্রেকেট মনুংদা পীজরি)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১১৫গী ৱিন্নর

*মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)*

লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১১৫গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মার্চ ২২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৫গী পাউখুম

১। ইবুধৌ পাখঙবনা কংলাদা পানবা কুম মমাঙদগী মোইরাং লৈবাক্তদি নিংথৌ পান্দুনা লৈরবনি। পাখঙবনা খৃ: তুং ৩৩দা ফম্বাল কাবদগী চৈথারোল কুম্বাবদা লাচনবদু মোইরাংগীদি খৃ: মাঙ ৫২দগী লাচনখিবগী ৱা ফংই।
(ক) পাখঙবগী ফম্বাল কাবা মতমদা পাল্লম্বা মোইরাং নিংথৌ অদুগী মমিং করি কৌবগে?
**:- "ঈৱাং পুরিক্লাই ঈৱাং তেলহৈবা"**
(খ) মোইরাং নিংথৌ অদুগী হাক্তক্তা শায়োন ৭কী অহানবা হেঞ্জুনহা লাইরৌরেম্বী পোকখি। হেঞ্জুনহাগী মমাগী মমিং করি কৌবগে? **:- "হোঙবীতোন"**

২। "নুংথিল পাখঙ খোঙচৎ লোইরক্লে। ৱাংমা লাল্লক্লে। মম্না মুখ্রিবা ৱাংমা তোর্ব্বাননি।" পরেং অহুম অসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
**:-"সন্ধ্যা"**

৩। "পৈশানা ঙমদবা করি লৈ/শেলদা পীয়ু... সত্য ঐ তৌগে।" ৱাফম অসিমনা "শ্রী তোম্বা অমসুং কৈ" হায়বা দ্রামা অদুদা শ্রী তোম্বনা হায়রিবনি। দ্রামাদু কনানা ইবনো?
**:- খুন্দ্রাকপম ব্রজচান্দ সিংহ**

৪। "কথোকপা, অখাঙ কনবা, অমদি মীনুংশি লৈবগী মতিক কল্লক মিহৌবা, অশাওবা, ৱারৌবসু নুপীদা লৈ।" ৱাফম অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা মাগী ৱারীমচা অমদা হায়রিবনি। ৱারীমচাগী মমিংদু হায়য়ু। **:- "তাইওন্নবা"**

৫। "হায়য়ু লৈরাং শকহেনবী ও! করি পুকচেন্নো/মিৎচি তেন্না থাবিদুনা খোইমু থম্মোয় চাকহনবদি।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা অরিবা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?**:- এম বীরা সিংহ**

# লৌমীশিংগী কাখল

## কারোত অখাবীদা তাবা লায়না

**ডো. এম থোইথোই সিংহ**

কারোট অখাবীদা তারিবা লায়নাশিংগী মনুংদা পাউডরি মিলডিউ, ডাউনি মিলডিউ, এন্থ্রাক্নোজ অমসুং কোলার রোট মমিং পনবা য়াই। মহৈ য়ানগদবা লৈগী মশীংদগী লাবগী মশীংনা হেনবা তোয়না থেংনরিবসিসু পোত্থোক হন্থনবগী অচৌবা মরম অমনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা কূপ্না য়েংশিনবীহৌরবদি অশোয়বদু চুমথোক্তুনা পোত্থোক হেনগৎহনবা য়াই।

**পাউডরি মিলডিউ ঃ** লায়না অসি কারোট অখাবীদতা নৎতনা খোঙদ্রুম, মাইরেন, তোর্ব্বোট, তর্বুজ, শেবোতনচিংবা পাম্বীশিংদা তোয়না তাগনবা লায়নানি। লায়না অসিবু থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসিমক্না আলু, হীদাকমনা, নুমিৎলৈ অমসুং হৈনৌনচিংবা পাম্বীশিংদসু নাহল্লি।

**লায়না অসিনা মফম খরদা হজ্জিন-হজ্জিন থোকপগী মওং ঃ-** কুম অমদা তারিবা লায়নাসিমক মথং চহীদা করম্না থংথরকপগে হায়বদু নাখৈ শেংদ্রি। অদুবু ক্লৈষ্টোথিসিয়ম (কোকফাই অসিবু শন্দোকপা ঙম্বা ষ্ট্রকচর অমা) শেম্বা মফমশিংদদি মসিনা থংন-থংনবা চহীশিংদা লায়নাসি থংথনবগী পোৎশক অমসুং মরম ওইহল্লি। করিগুম্বা মতমদা কোনিডিয়েল ষ্টেজ ওইনা অতোপ্পা পাম্বীশিংদা মতম লেল্লুরবা মতুংদা কোনিডিয়া হায়না খঙনবা লায়না অসিবু শন্দোকপা ঙম্বা মরূশিং অদু মরী চৎপা পাম্বীশিং অসিগী মথক্তা তারৈ অমসুং লায়না অসি শন্দোরকই। মরূশিং অসিনা মনা অমসুং মউগী মথক ইথং থংবা সেলশিংদা মতুম তাবা হাওষ্টোরীয়া হায়না খঙনবা ষ্ট্রকচর অদু থাদদুনা কারোট নৎত্রগা পাম্বীশিংদুদগী মহি চুপথোকই অমসুং পাম্বীদু তপ্না-তপ্না কংশিল্লকই। পাল্লিবা পোৎলমশিংদু (মহৈশিং) মপুং ফাবা ঙমদে।

**লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বৈ ঃ** লায়না অসি পাম্বী মখল কয়াদা তাই। মমাংঙৈদা সল্ফর কাপ্পরম্মী। কারোট অমসুং মসিগী শাগৈ, সেম, অঙ্গুরনচিংবা পাম্বীশিংদা কাপ্পদ্রে। Sulphur shy লৈবননি। Karathane মিলিলিটর ৩, ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপসু য়াই। Myclobutanil (index) গ্রাম ৬ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই। Azoxytrobin মিলিলিটর ৫ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপদা লায়না অসি ইরায় লায়না ফহনবা ঙম্মী।

**ডাউনি মিলডিউ ঃ** লায়না অসিনা মরী চৎপা পাম্বীশিং কারোট অখাবী, থবী, শেবোত অমসুং মাইরেলদা খ্বাইদগী হেন্না অকায়বা পীরিবা লায়নানি।

**লায়ওং ঃ** লায়না অসি পাম্বীগী মখা থাবা মনাশিংদগী হান্না উবা হৌরকই। মনাদা লৈরিবা দাগশিংদু মনাগী মশিংশিংনা কোইশিনবা মরম্না এঙ্গুলার ওই, নাপু মচু ওইনা তৌরম্বদগী কোন্না মচু চঙলকই। দাগশিংদু চাউবা হেনগৎলক্কদবদু মশাগী মশিংশিংনা থিংদুনা থম্বনা চাউবা হেনগৎলক্তে। দাগ মশীংদি হেনগৎলকই। নুংশিৎতা ঈশিং মনিল য়াম্না লৈবা মতমদদি দাগশিংগী মপাদা লৈরিবা মনাগী মখা থংবা শরুক্তা তিম্থুন নাপুন মচু চঙলপ তৌনা তোংথোক চাউথোকপা মান্না কোকফাইশিং হৌবা থেংনগনি। লায়নাসি তাশিল্লবা মনাশিং অদু মুশিল্লকপগা লোয়ননা মতম চাদনা কঙশিল্লক্কনি। লায়না অসিমক্না মরী চৎপা পাম্বীশিংদুদা পাল্লিবা মহৈশিংখক্তদা তাশিনবা উদ্রগসু মপাঙ্গল শোল্লবা মনাশিংনা মতীক চানা মথৌ তৌবা ঙমদবদগী মহৈশিংদুগী চাউফম থোকপা চাং য়ৌহন্দবনা পোত্থোক য়াম্না হন্থহল্লি। লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই মখল অসি মরী চৎপা অহিংবা পাম্বীশিংদা হোং-হোংদুনা লৈরুরবা মতুংদা ঐখোয়না থাজরিবা পাম্বীশিংদা অমুক য়ৌরকই।

**লায়না অসিদগী কন্নবা পাম্বৈশিং ঃ** লায়না তারবা মনাশিং য়ারিবমখৈ লৌথোকপা ফৈ। হান্নদি Mancozeb, Ridomil কাপ্পরম্মী। অদুবু থোইনা কান্নবা ফংদে। খ্বাইদগী ফবা হীদাক্তি Azoxytrobin নি। হীদাকসি মিলিলিটর ১০ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়ানশিল্লগা মনাগী মথক অমসুং মখা থংবা শরুক অনীমক চোৎনবা কাপথোক্কনি।

**এন্থ্রাক্নোজ ঃ** পাম্বীগী মনা, মউ অমসুং মহৈনচিংবদা মুরপ তৌবা দাগশিং লৈগনি। দাগশিং শমজিন্নরক্তুনা চাউথোরক্কনি। মতুং তারকপদা মনাশিং খুইথরক্কনি অমসুং অতেনবা মতম খরগী মনুংদা কংশিল্লক্কনি।

**লায়নাসিদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বৈ ঃ** লায়না অসি ঙাকথোক্নবা Zineb 75% WP নৎত্রগা Copper Oxychloride 50% WP গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

**কোলার রোট ঃ** লৈবাক্তা নক্লনা লৈরিবা পাম্বীগী মখোঙদা ঈশিং অশাবা চোংখিবা মানবা দাগশিং মুশিল্লপ তৌনা লৈগনি। লায়না অসি তাবগী মতম শাংথরকপগা লোয়ননা পাম্বীদুমক কংশিল্লক্তুনা শি।

**লায়নাসিদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বৈ ঃ** লায়না অসি তাবা হৌরকপা মতমদা Hexaconazole 5% WP মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়ানশিল্লগা মখোঙ অমসুং মউ চোৎনবা কাপথোক্কনি। পাউডরি মিলডিউ অমসুং ডাউনি মিলডিউ তাবদগী Azoxytrobin কাপখিবা ওইরবদি মখল অয়াম্বা লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী।

তারিবা মখল কয়াগী লায়নাশিং খঙদোক্লগা পূম্নমক্তা কান্নবা পীবা ঙম্বা হীদাক থাবনা মতম অমসুং শেল চৎপগী চাং হন্থহল্লি।

কারোট অখাবী, মাইরেল, খোঙদ্রুম, থবী, তোর্ব্বোট, শেবোত, তর্বুজনচিংবা মরী চৎপা পাম্বীশিংগী মপাল লাকপা মতমদা লাবগী মপালনা অমোমগী মপাল মশীংদগী য়াম্না হেনবা য়াওই। থৌওং অসিনা মহৈ পানবা ৱাৎপদগী পোত্থোক য়াম্না হন্থহল্লি। অমোম ওইবা মপালগী মশীং হেনগৎনবা Nitro borax মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই। থৌরম অসি পাম্বীশিং লিশিন্দ্রিঙৈ হায়বদি নৌরিঙৈদা কাপথোকহৌগনি। থমজনিংবা ৱাফমদি পোত্থোক হেনগৎহনবা হায়বসি লায়না তীলনা ঙাকথোকপখক্কী মখা পোন্দে। পাম্বী থাবগী কাঙলোন চুমথোকপা চঙই। ●

# পাম্বীদা ঈশিং ফংনবা হোৎনবদা লৌশিং খরা

**এস সুমঙ্গল**




উ পাম্বী অচৌবশিং অমদি নাপী মখল খরা নত্তনা ঐখোয়না থারিবা অয়াম্বা পাম্বীশিংদি লৈবাক লৈহাওগী অথেনবা শরুকশিংগী য়াওরিবা ঈশিং ঈনিলগী শরুক্তগী ঈশিং চুপ-খৎতুনা হিংবনা অয়াম্বনি। লৈবাক্কী লৈমাইদা নুংশাগী মৈশা অমসুং নুংশিৎনা ঈনিল অদুমক মাঙহল্লিবনি। লোয়ননা পাম্বীগী মরানা চুপখৎলিবা ঈশিংসু অমুক মনাদগী থাদোক্তুনা ঈশিং অসি মাঙদবা য়াদবা মওংদা মাঙলিবনি। মরম অদুনা পাম্বী অমা মশা মউ ফনা চাথোক নিংথিনা ফংনবা হোৎনবা মতমদা ঈশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি মপূং ফানবা হোৎনবা মতমদা চেকশিনগদবা ঈশিং চনবগী মওং খরা খঙজিনবা কানগনি খল্লি। য়েংমিন্নসি।

ঈশিং চনবা মতমদা খঙজিনবদা কান্নবা খরা হান্না য়েংসি-

**লৈবাক লৈশাগী মওং :-**

**লৈতানলম :** লৈতান্না নম্বা লৈবাক্না লৈঙোইনা নম্বা লৈবাক্তগী ঈশিং শরুক অহুম হেন্না চুপশিনবা ঙম্মী। মরম অসিনা লৈঙোই লমদা লৈতান লমদগী খরা হেন্না তোইনা ঈশিং চনবা মথৌ তাই। অদুমকপু লৈতান লম্না অমুক ঈশিং চনবা মতমদা ঈশিং চুপশিনহনবদা খরা হেন্না খূৎ চঙই। লৈঙোই লমদা ঈশিং লায়না খরা থুনা চুপশিনহনবা ঙম্মী। লৈতান লমদা ঈশিং মপূং ফানা চল্লবা মতুংদা মতম শাংনা ঈশিং ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্বা মরম্না কুইনা চৎপা হেল্লি।

হান্না লৈরনবা লৌফম/ইঙ্খোলগী লৈবাক লৈমাই অমদা লৈবাক মরোল অমা হৈজিন্দুনা শেম্লবা অদুগা মদুবু পোপ্পবা ঈশিং চাইবা মতমদা অনৌবা লৈরোলদু য়ৌরবা মতুংদা হান্নগী মখাদা লৈরিবা লৈরোলনা কৈদৌনুংদা অহেনবা ঈশিংদু চুপশিল্লু য়ারোই, পাথোক্তুনা চেনি-খগনি। অসুম্না লৈবাক্কী শরুক (অর্থ বোল) য়াওনা ফুক্লকপা পাম্বী অমা থারগা অকোয়বদা অনৌবা লৈবাক্না ফুনজিল্লবা মতুংদা ঈশিং চনবা মতমদা বোলদুদা ঈশিং চুপশিনবা ঙমদবদগী মরা চখোকপা ঙমদদুনা পাম্বী চাউবা হেন্দবা কয়া থেংনদবা নত্তে। লৈরোল অনীগী নৎত্রগা অর্থ বোলগা হাপচিল্লিবা লৈশাগা তাইনফম অনী নিংথিনা শম্নহনবা মথৌ তাই।

অতোপ্পা খঙজিনবদা কানবা অমনা লৈঙোই লমদা ইঞ্চি অমা থানা/লুনা ঈশিং চনবদা ফুট অমা থানা/লুথনা ঈশিং য়ৌবা ঙম্মী। লৈঙোই-লৈতান য়ান্নবা লমদনা ফুটখাই অমা খরা হেন্না লুথনা য়ৌই অদুগা লৈতান লমদনা ইঞ্চি মরি মঙাদগী হেন্না য়ৌথবা ঙমদে। মসি থমজবগী মরমদি ঈশিং চনবগী শীজিন্নরিবা মওংগী মতুং ইন্না ঈশিং কা হেন্না মাঙদনা, শেলসু য়াম্না চঙদনা লৈহাওসু চেন্থদুনা অমদি চুমথদুনা মাঙদনবা মওংদা ঈশিং চনবদা লৌশিং খরা হেন্না শীজিন্নবা থমজবনি।




ওর্গানিক্কী হারশিং হাপ্পগদি লৈমাই কয়া য়ৈশিন্দে চাইরিবা ঈশিং নিংথিনা চুপশিনবা ঙম্মী। মতম শাংনা ফাজিন্দুনা পাম্বীদা মতম শাংনা ঈশিং পীবসু ঙম্মী। ষষ্থি ষণয়ুংগী হার, নাপী-শিংনাদগী শেম্বা কম্পোষ্ট শীজিন্নবা, থারিবা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং মরু ওইনা ফৌগী চরু, চরুখোক মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনবগী মহুত্তা হৈনা-শিংনা শীজিন্নরবদি ঈশিং চনবগী হেন্না কান্নবা পান্দম অসি লায়না ফংবা ঙমগনি।

**নুংশিৎনা ঈশিং শাথিনা মাঙহনবা ঙম্মী :**

লৈবাক্তগী নুংশিৎনা ঈশিং হুমদোক্তুনা ঈশিং শাথিনা মাঙহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা ইঙ্খোলগী অকোয়বদা পাম্বী থাদুনা নুংশিৎ ঙাকথোক্নবা পাম্বৈ শীজিন্নবা য়াম্নমক কান্নে। মনা অমদি মসা-মরেং য়াম্না পানবা পাম্বী থাবনা নুংশিৎ অকনবদগী নিংথিনা ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চেক্কী ফক্লাংদগীদি হায়রিবা পাম্বীশিং অসিনা নুংশিৎকী শাফু হন্থহনবদা কানবা য়াম্না হেল্লি। নুংশিৎকী ঈপোমদি ঈশিং ঈচেলগুম্বনি। ঈপোমদুনা চেকপল লান্দুনা শিৎলক্লগা পাম্বীশিংবু শাথিনা মাঙ তাকহনবা ঙম্মী। অদুগা অমরোমদনা পাম্বীগী মনা মরক্তা ফাওদুনা শিৎপা মতমদা নুংশিৎকী শাফু ফনা য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী। মসিনা ঈশিং মাঙবগী চাংসু য়াম্নমক হন্থহনবা ঙম্মী। শম্না হায়রবদা চেকপলদগী পাম্বীনা নুংশিৎকী শাফু হেন্না ঙাকথোক্তুনা থারিবা পাম্বী মাঙ তাকহনবা অমসুং ঈশিং মাঙবা থিংবদা থৌদাং চাউনা লৌবা হেল্লি। নুংশিৎ অকনবা হুমজিনগনবা মায়কৈ খঙনা উরুমসু লাংদনবা মওং য়েংদুনা উহৈ পাম্বীনচিংবা থাদুনা কান্নবা অনীমক লৌনবা হোৎনবা কান্নগনি।

**পাম্বীগী মরাশিং ঈশিং মুন্নে :** উ পাম্বীশিংবু মাগী ঈশিং নীংথিনা পীরবদি থারিবা পাম্বীগা ঈশিং মুন্নহন্দবা য়াই নৎত্রগা থারিবা পাম্বীগা উ পাম্বীগা অনীগী মরক্তা খোইদোক্তুনা কংহনবা মতমদা ঈশিং লৈবা মায়কৈরোমদা মরা চৎখিদুনা থারিবা পাম্বীগা মরা য়েৎনহন্দবা য়াই।

**থারিবা পাম্বীগী মনা য়েংলগা ঈশিং চাইনি-চাইরোই লেপথোকপা য়াই :**

ঈশিং ৱাৎলবা পাম্বীগী মনা মচু মকশিনগনি। মনাশিং কোনশিল্লকপা উগনি। পাম্বীনা




মনা কেন্দুনা খাঙলিবসি ঈশিং য়াম্না শীজিন্নদবননি। হায়রিবা মওংশিং অসি য়েংলগা ঈশিং চনবগী মতম লেপ্পা য়াই।

কনশিল্লবা লৈমাইদা ঈশিং চুপশিনবা ঙমদে।

হোম হোম লাওবা, ফাত্তোক্লবা লৈমাইনা ঈশিং চুপশিনবা ঙম্বা মতমদা অকনবা লৈমাইদা তাবা ঈশিংনা চেন্থখিদুনা মাঙখিগনি । হায়বদি থারিবা পাম্বীশিং মখোঙ শোম্বীদুনা ঈশিং চুপশিনবা ঙম্নবা হোৎনবীগনি।

পূম্নমকশিং অসি খঙলবদি করম্না কয়া য়াম্না নৎত্রগা করম্বা মতমদা ঈশিং চাইগনি/চনগনি হায়বদু লায়না খঙবা ঙম্লনি খল্লি।

**অতোপ্পা কান্নবা খরা :** ঈশিং পীরিবনি হায়দুনা লৈমায় খরখক চোৎনবা পীবদগী পীদবনা হেন্না ফৈ। ঈশিং য়ৌরিবা শরুক্তা মরা কাখৎলক্তুনা মরা থেন্না চৎনবা মচাক ওইহল্লি। মরা থেন্না চৎলবদি মচিঞ্জাক ফংবা ৱাৎলনি, পাম্বী মপূং ফাররোই, শেন্দোং ফংলরোই। কালেনগী মতমদা স্কার মিটর অমগী লৈমায়দা ঈশিং লিটর ১০-২০ ফাওবা চাইবা মথৌ তাই। মসি ঈশিং পেরে অনীগী চাং ওইগনি।

ঈশিং মাঙদনবা প্লাষ্টিক্না, নাপী-শিংনা অকঙবনা, চরু চনাইনা মলচিং (লৈমায়বু কুপশিনবা) তৌবা য়াম্না কান্নে। মসিনা পাম্বীদা মতম শাংনা ঈশিং ফংহল্লি। লোয়ননা নাপী হৌহন্দে।

থমজরিবা খরা অসি মুন্না খন্থবিরবদি পাম্বী থাবা মতমদা ঈশিং লিক্লা, মতম চানা, চাং চানা অমদি চাং নাইনা পাম্বীদা ঈশিং ফংহন্দুনা চাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি, শেন্দোং হেন্না ফংগনি। ●